# সীসীপাস অমসুং রুব্লেব ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরগনি, নুপীগীদা কিটোভা অমদি সিগমন্দসু লম্বা তৌনরগনি





পেরিস, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিপানোস সীসীপাস অমসুং রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেব চহী অসিগী ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। লোয়ননা নুপীগী কাংলুপ্তা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অমদি জর্মনিগী লোরা সিগমন্দসু সেমীফাইনেল য়ৌননবগীদমক ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় গ্রিসকী ষ্টিফানোস সীসী পাসনা মহাক্কী মরীশুবা রাউন্দগী মেচতা হঙ্গেরিগী টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারকখিবা গ্রিগোর দিমিত্রোবকা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট ৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মরীশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা সেট অদুদা সীসীপাসনা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা দিমিত্রোবকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-৩দা মায়পাকপা ঙমখি।

অনীশুবা সেটতা হঙ্গেরিগী শান্নরোয় দিমিত্রোবকী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লত্তুনা সীসী পাসকী শোট খূদিংমক লম্বা পীবা ঙমখি। শান্নরোয় অনী মশা-মশাগী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙম্নদুনা গেম ১২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৬-৬তা লৈনদুনা টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক অদুদসু অমনা অমবু খূদুম চনবা ঙম্নদনা পোইন্ট ৯-৯ ফাওবা মান্নখি। অদুবু গ্রিসকী শান্নরোয় সীসী পাসনা মখা তাবা পোইন্ট অনী ফংদুনা টাইব্রেক অদু ১১-৯দা থোইদুনা সেট ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অহুমশুবা সেটতা হঙ্গেরিগী শান্নরোয় দিমিত্রোবকী মায়কৈদগী লৈখিবা অশোনবা খরা অদুদা সীসী পাসনা খূদুম চনশিন্দুনা সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৬-২দা থোইরগা মরিশুবা রাউন্দদা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

এন্দ্রি রুব্লেবনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেচতা হঙ্গেরিগী অতোপ্পা শান্নরোয় মার্টোন ফুকসোবিচকা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌদুনা সেট ৩-১দা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট ফুকসোবিচনা ৭-৬ (৭-৪)দা থোইবা ঙমখি। অনীরকশুবা সেট অদুদনা রুব্লেবনা ৭-৫দা থোইদুনা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সেট অদু মহাক্না ৬-৪, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিককী পেত্রা কিটোভা অমসুং জর্মনিগী লোরা সিগমন্দগা শান্নগনি। কিটোভানা মহাক্কী ৪শুবা রাউন্দ মেচতা চাইনাগী স্বাই ঝাংবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা ওইগদৌরিবী লোরা সিগমন্দনা স্পেনগী শান্নরোয় পি বাদোসাবু ৭-৫, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা রসিয়াগী খাচানোবপু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৪, ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটলগী লম্বেল নকশিনবা ঙমখি।

# চেম্পিয়ন লিভরপুল এষ্টোন ভিলানা ৭-২দা থোইখ্রে, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ হোটস্পরগী মখূৎতা ১-৬তা মায়থীখ্রে



লন্দন, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেচ অমদা মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন লিভরপুলবু এষ্টোন ভিলানা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা, মমিং লৈরবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ টোটেনহাম হোটস্পরনা পাঞ্জল ৬-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

এষ্টোন ভিলানা য়ূম্বু ওইদুনা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ ভিলা পার্ক ষ্টেদিয়মদা লিভরপুলগা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অদুগী শান্নরোয় ওলি ৱেটকিন্সনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা ওলি ৱেটকিন্সনা টিমমেট জেক গ্রিলিসকী মায়কৈদগী পীরকপা বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু এষ্টোন ভিলাগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা প্যের অদুনা অমুক্কসু পাঞ্জল চন্দুনা ৱেটকিন্সকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ২২শুবা মিনটতা ওইখি। শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ শোথরবা লিভরপুলগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর মহমদ সালানা পাঞ্জল ১ চনখি। মদুগী মতুং থংনবা মিনট ২গী মনুংদা এষ্টোন ভিলাগী অতোপ্পা শান্নরোয় জোন মেকগিন্সনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-১দা লৈখি। এষ্টোন ভিলাগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা ওলি ৱেটকিন্সনা ৩৯শুবা মিনটতা ট্রেজিগেনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইদুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা লিভরপুলবু মখোয়না ৪-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু লিভরপুলগী মায়কৈদগী অশোনবা কয়া লৈখিবা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা পাঞ্জল মাংজিল থাদুনা লৈরিবা এষ্টোন ভিলাগী শান্নরোয় রোজ বার্কলিনা জেক গ্রিলিসনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঞ্জল চনখি। কন্না হোৎনখিবা মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন লিভরপুলগী মায়কৈদগী রোবর্টো ফর্মিনোনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা চনখিবা মহমদ সালানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-৫দা লৈখি।

মেচ অদুগী ৬৬শুবা মিনটতা এষ্টোন ভিলাগী মায়কৈদগী হেটট্রিক ফংখ্রবা ওলি ৱেটকিন্সনা পীরকপা বোল অমদা জেক গ্রিলিসনা পাঞ্জল চন্দুনা স্কোর বোর্দ অদু ৬-২দা লৈখি। মখা তারকপা মেচ অদুগী ৭৫শুবা মিনটতা জেক গ্রিলিসনা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা লিভরপুলবু ৭-২দা থোইখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু টোটেনহাম হোটস্পরনা ৬-১দা থোইখি।

হোটস্পরগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৪-১দা হেনবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু মেঞ্চেষ্টরগী মায়কৈদগী ২শুবা মিনটতা ব্রুনো ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমা চনখি। মদুগী মতুং টোটেনহামগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুদা পাঞ্জল ৬ হাপচিনবা ঙমখিবনি।

হোটস্পরগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী ৪শুবা অমসুং ৭শুবা মিনটতা টানগি নোম্বেরে অমসুং মিন সোননা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। মদুগী মতুং হেরিকেন অমসুং মিন সোননা পাঞ্জল ২ হাপচিনবা ঙমখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা টিম অদুম্মক্কী শান্নরোয় সর্গে ওরিয়র অমদি হেরিকেননা পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা ৬-১দা থোইখি।

# শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী খূদোংচাদবা লৈবা মরম্না কেম্প হৌবা য়ারোইদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন খরগী ট্রেনিং কেম্প হৌখ্রবসু টেবল টেনিস মশান্নগী ওইনা পাঙথোক্কদবা কেম্প অদু শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী চৎথোক-চৎশিনগী খূদোংচাদবা লৈবা অমদি ট্রেনিং তৌফম অদু মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমদবদগী নেসনল টেবল টেনিস কেম্প মখা তানা য়ৈথোকপা য়ারি হায়না টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মমাংদা টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা লৈবাক অসিগী মরুওইবা টেবল টেনিস শান্নরোয়শিংগী ট্রেনিং কেম্প অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা ঙমখিদবনি।

পনবা য়াবদি, টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিক-হৌজিক দিরিকগ্নাইজ তৌদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা ফেদরেসন অসিনা চহী অসিগী ওগষ্ট থা ফাওবগী মনুংদা শান্নরোয়শিং পূম্নমক খোমজিন্দুনা টেবল টেনিস কেম্প পাঙথোক্লবগী হোৎনখিবা অদু ঙমদনা লাকখিবনি।

মরক অসিদা টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ১৫দগী চয়োল ৩গী ওইবা কেম্প অমা পাঙথোক্লনবা হোৎনরকপা অসিদা শান্নরোয় কয়া অমা য়াওনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্তুনা লাক্লবা হোৎনরি। নাকল অমরোমদা মরুওইবা মকোক থোংবা শান্নরোয় খরদি ইন্দিয়াগী মপান্দা চৎতুনা ট্রেনিং তৌবা পাল্লি। লোয়ননা টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা চয়োল অহুমগী ওইবা কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা মফম অদুসু মপূং ফানা লোইশিন্দবা মরম্না শান্নরোয় কয়া অমসু লাকপা পামদ্রি। মরম অদুনা ফেদরেসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল এম পি সিংহনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেনিং কেম্প অদু য়ৈথোক্লগা নবেম্বর থাদা পাঙথোক্লবগীদমক্তা শিল্লি হায়রি।

# রোবর্ট লিৱানদোস্কিগী পাঞ্জল ৪না হরথা বর্লিনবু বেয়র্ন ম্যুনিকনা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখ্রে, ৱোল্ফসবর্গ অমসুং ওগ্সবর্গ দ্রো চৎখ্রে



বর্লিন, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): জর্মনিগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংনা শান্নবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লৈবাক অদুগী লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুনদেসলিগাগী ৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাং সিজনদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ঙরাং অথেংবা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা হরথা বর্লিনবু ৪-৩দা থোইখিবা মেচ অদুদা পাঞ্জল ৪মক বেয়র্ন ম্যুনিককী য়ুরোপিয়ন প্লেয়র ওফ দি ইয়র তাখ্রবা রোবর্ট লিৱানদোস্কিনা চনবা ঙমখি। লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ৱোল্ফসবর্গ অমসুং ওগ্সবর্গ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

বেয়র্ন ম্যুনিককী টিম মমাংদা শান্নখিবা মেচ ২দা অমা মায় পাক্লগা অমা মায়থীবা নংখ্রবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী কুমজা ২০১৯-২০দা পুন্না য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল লৌবা ঙম্বতা নৎতনা জর্মনিগী ওইবা টুর্নামেন্ট অহুম লৌখিবগা লোয়ননা পুন্না সিজন অদুদা টাইটল ৪ লৌবা ঙমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা বুনদেসলিগাগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা হরথা বর্লিনগা লম্বা তৌনখিবনি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী পুংখায় অমরোমগী মতম ফাওবদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নদুনা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। ৩৬শুবা মিনটতা থোমাস মুলরনা পাঞ্জল চনবা য়াবা খূদোংচাবা অমা মাঙজখি। মদুগী মতুং হন্দক্তা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর রোবর্ট লিৱানদোস্কিনা ৪০শুবা মিনটতা টিমমেট জনাব্রিনা পীরকপা বোলদা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মেচকী ৫১শুবা মিনটতা রিচার্দসনা পীরকপা বোল অমদা লিৱানদোস্কিনা পাঞ্জল অমগসু হাপচিনবা ঙমখি। হরথা বর্লিনগী মায়কৈদগী মেচকী ৫৯ অমসুং ৭১শুবা মিনটতা জোন কোর্দোবা অমদি মাথিয়স পুনহানা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ইক্বোলাইজর অদু ওইহনখি।

শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা বেয়র্ন মুনিককী থোমাস মুলরনা পাস তৌরকপা বোল অমদা মমাংদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা লিৱানদোস্কিনা পাঞ্জল চন্দুনা হেটট্রিক ফংবগা লোয়ননা হরথা বর্লিনবু ৩-২দা হেনখি। অদুবু থংনবা মিনট ৩গী মনুংদা হরথা বর্লিনগী মায়কৈদগী জেসিক ঙানকম ইক্বেলাইজর অদু অমুক চনখি। মেচকী ৯০শুবা মিনটতা মুনিককী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অমা লিৱানদোস্কিনা চন্দুনা মখোয়না হরথা বর্লিনবু ৪-৩দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা ৱোল্ফসবর্গ অমসুং ওগ্সবর্গকী টিম পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

# থাঙ-তা ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী শেন্থুং মখাদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী হুয়েল লাংলোন থা-তা এসোসিএসন, নম্বোল ককয়াইনা ওর্গনাইজ তৌদুনা, থা অসিগী ২ দগী নুমিৎ হুম্নি চুপ্না চথরকপা "থাঙ-তা ৱার্কশোপ" ঙসি লোইশিখ্রে হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এলাংবম ইনাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মোইরাংথেম বিনয় মৈতৈ, চীফ ইন্সট্রক্টর, হুয়েল লাঞ্জং থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন, সুগ্নু ৱাঞ্চনা চীফ গেষ্ট, টি ঐচ শান্তিকুমার লুৱাংচা, প্রসিদেন্ট, বি আই দি ঐচ এল এ টি টি এনা থৌরম মপু, এস ঐচ বিসেশ্বর মৈতৈ, সেক্রেটরি মঙান থাঙ-তা লূপ, লাইশ্রম প্রেমানন্দ, ট্রেজরর মঙান থাঙ-তা লূপনা মথং শীৎনা গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুরদা থাঙ-তা মশান্না অসি য়াম্না মরিক-চুম্না দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্লা শান্নরি। মশান্না অসি মালেমগী থাক্তা পুখৎনবসু ষ্টেট অসিগী এসোসিএসননা হোৎনবা লৈখ্রবনি।

# 'আই লীগ ক্বালিফাইয়র লাকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা ফুটবোল মশান্না চথনবা থবক লৌখৎলে'

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ঙসি নৌনা মীয়ামদা উৎখিবা 'ইন্দিয়ন ফুটবোল. ফোরৱার্দ টুগেদর' মোটোগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লোকদাউননা মরম ওইরগা ফুটবোল মশান্নগী তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্তদুনা লাকখিবা অদু হৌদোক্ননবা থবক পায়খৎলকপদা আই লীগ ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট লাকপা অসিনা অহানবা খোঙথাং অমা ওইরগা ফুটবোলগী থবক থৌরম পূম্নমক পাঙথোক্লনবা শেম শারে হায়খি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শৌগৎলিবা শেল য়াম্না থাদরগা পাঙথোকপা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিসু চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্লনবা শেম শারিবনি। ফুটবোল মশান্না খক্তা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনগী কম্পিটিসনশিংসু লৈবাক অসিগী ওইনা পাঙথোক্তনা লাক্লিবনি।

পনবা য়াবদি চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা নেসনল কম্পিটিসন কয়া অমা য়ৈথোক্তুনা মথং চহীদা পাঙথোক্লনবগী ৱারেপ কয়া অমসু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট গোৱা ষ্টেটতা লৈরিবা ষ্টেদিয়ম অহুমদা পাঙথোক্লনবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলি। মমাংগী সিজনদদি শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী হোমগ্রাউন্দশিংদা শান্নবগী কাঙলোন লৈরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্টকী মশীং য়াম্লবা লীগ মেচশিং অদু মফম অমদা পূনশিল্লগা শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী শাফগদবা মওং য়েংদুনা মফম অদুদগী হেন্দোক্তনা টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোক্লনবা শেম শারি। আই এস এল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হেকমথং তাবদা লৈরিবা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংনা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট পাঙথোকপগী থবক থৌরমশিংসু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা পায়খৎতুনা লাক্লিবনি। হায়রিবা ক্বালিফায়র অসিগী ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা লৈবাক অসিদা ফুটবোল মশান্নগী অহানবা কম্পিটিসনশিং ওইননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়না জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা ফোঙদোকখি।

# বর্সেলোনা অমসুং সিভিলা ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, কাদিজ অমদি গ্রানাদা ঙম্নখিদ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনা অমসুং সিভিলা স্পেনদা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা কাদিজ অমসুং গ্রানাদাসু পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে।

বর্সেলোনানা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ কেম্প নৌদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা বর্সেলোনা অমসুং সিভিলাগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংননবা কন্না হোৎনরকখি।

বর্সেলোনাগী টিম অসি হন্দক্তা মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসি ক্লব অদুদগী তোক্লগনি হায়বা খোঙথাংদা চাওনা ৱাখল নুংনাংবা ফাওরুরবনি। অদুবু মহাক মশামক্লা সিজন অসি লোইবা ফাওবা শান্নবগী অরোইবা ৱারেপ লৌরকপদগী ক্লব অসিগী থৌনা লৈখি।

বর্সেলোনানা সিভিলাগা শান্নখিবা মেচ অদুগী শুপ্নগী ৮শুবা মিনটতা সিভিলাগী মায়কৈদগী লুক দি জোংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু মিনট ২গী মনুংদা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা এটেক অমা পুশিল্লক্তুনা ফিলিপ কোটিনোনা ইক্বেলাইজর অদু ১০শুবা মিনটতা চন্দুনা ১-১দা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা মেচ অমদা কাদিজ অমসুং গ্রানাদাসু পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদে।

# দিল্লি কেপিটেলসনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ৫৯দা থোইবা ঙমখ্রে



দুবাই, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীদুনা শান্নবগী ইভেন্টশিং পাঙথোকপা য়াদনা লাকখিবা অদু হন্দক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি বি সী সী আইনা চুংশিন্নবা ৱারেপ লৌদুনা কুমজা ২০২০ আই পি এল ইন্দিয়াদগী হোংদোক্লগা য়ু এ ঈদা শান্নরিবনি। মদুগী মতুং ইন্না ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেচতা দিল্লি কেপিটেলসনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ৫৯দা থোইখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা দিল্লি কেপিটেলসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা ৱিকেট ৪খক তুরগা রন ১৯৬ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ষ্টোইনিসনা রন ৫৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ঙমখি। অদুগা পৃথিবী সো, পন্থ অমসুং ধৱননা মথংশিংনা রন ৪২, ৩৭ অমসুং ৩২ লৌখিবা পনবা য়াই।

মায় পাক্লবা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা রন ১৯৭ লৌগদবা অদু অপীবা ওভর ২০দা বেটচমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৩৭ খক লৌখিবদগী মেচ অদু দিল্লি কেপিটেলসনা রন ৫৯দা থোইবা ঙমখি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী শান্নরকপদা দিল্লি কেপিটেলসকী বোলরশিংনা চেলেঞ্জর্সকী বেটচমেনশিংগী পার্টনরশিপ অমত্তা মপূং ফানা শেমহনখিদে। বেঙ্গলোরগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা বোল ৩৯দা রন ৪৩ লৌরম্বা অদু নৎতনা অতৈদি রন ২০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে।

হয়েং লীগ অসিগী ২০শুবা মেচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অমসুং রাজস্থান রোয়েলস শান্নগনি।

/JOB VACANCY

1. Sales Executive
(Tbl., Kakching, Nambol, Moirang, Sekmai)
2. Security
3. Driver (Unmarried)
4. 2 Wheeler Mechanic
5. Gr. - IV

N.B : All Posts Salary Starting from Rs. 5,000/- to 30,000/- without Incentive +Bonus.

*Please Contact,* **M.M. Singh**
Mobile No. 8413973840

HL/B/6352/28




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com